ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯱꯷, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, নবেম্বর ১৭, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৩৪শুবা মশীং

# উলফা কাঙলুপ অমগী ফিরেপ

## *তরাইনা লৌবা য়াদবগী ফীভম লাক্লে*

**সিটিজন্সিপ** এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌদুনা য়েলহৌমীশিংগী পূক্নিং শোকহল্লকপা তারবদি ইনখৎলক্লিবা নহারোল পুন্নমক খুৎলায় পায়বগী ঈহৌদা মায় ওনশিল্লকপা য়াই হায়না অসামগী লালহৌলুপ অমনা ফোংদোকখ্রে। সেন্টরগা সীজফায়র লাউথোক্লদুনা ৱারী শানরিবা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা) কাঙলুপ অমগী জেনরেল সেক্রেটরি অনুপ চেতিয়ানা হায়খি, অফঘানিস্তান, বাংলাদেশ অমদি পাকিস্তান্দগী চঙলকপা হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট, জেন, পার্সি অমদি খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপা মীওইশিং চে-চাং অমত্তা য়াওদ্রবসু ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি খুদোংথিনিংঙাই ওই। থৌরাং অসিনা ত্রিপুরাগী মতৌগুম অৱাং নোংপোক্কী অতৈ ষ্টেটশিংদা য়েলহৌমীশিং কাংখুল মুৎখিনবগী ফীভম ওইহল্লকপা য়াই হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখি। বাংলাদেশতা চহী ১৮ জেলদা ফাজিন্দুনা থল্লুরগা কুমজা ২০১৫ দা খুৎশিন্নরক্লবা মতুংদা সেন্টরগা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা ৱারী শানরিবা চেতিয়ানা হায়খি, মশা-মশাগী নাৎ অমসুং কাঙলুপকী শক্তম কায়হন্দনা থম্নবগীদমক নহারোলশিং খুৎলায় পায়বগী ঈহৌ হৌরকপা য়াই। হৌজিক চৎনরিবা সিটিজন্সিপ এক্ট ১৯৫৫ শেমদোক্লগা মপান্দগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা অকক্লবা লাইনিং চৎপা মীওইশিং লৈবাক্কী সিটিজন ওইহন্নবগী থৌরাং অসিনা খ্বাইদগী চাউবা মওংদা চৈথেং পীগদৌরিবসি অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদনি হায়রি। মরুওইনা 'অসাম একোর্দ'কী মায়োক্তা লৈবা মরম্না অনুপ চেতিয়া অমসুং অসামি মীয়াম্না সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা খোঞ্জেল হৌনা লাউরকপনি হায়বা য়াই। কুমজা ১৯৭১ গী মার্চ ২৫গী মতুংদা বাংলাদেশতগী চঙলকপা মীওইশিং মীতোপ ওইনা লৌবগী ৱাফম অসাম একোর্দতা য়াওবা মরম্না চেতিয়া অমসুং অসামি মীয়ামগী ফিরেপ মরম চাদে হায়না লৌবা য়ারোইদৌরি। ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আসু) না মতম শাংনা মীতোপ তানবগী খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৮৫ দা অসাম একোর্দ খুৎয়েক পীনখিবনি।

মীশি-মীনা য়াওবা মওংদা মতম শাংনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী মহয়না খুৎয়েক পীনখিবা একোর্দ অমবু ফাগী তাহল্লকপা য়াবগী ফীভম লাকপনা গুৱাহাতিদা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট দেমোক্রেটিক এলাইয়ন্স (নেদা) গী অহুমশুবা কনক্লেভতা অসোম গন্ন পরিষদ (এ জি পি) গী প্রসিদেন্ট অতুল বোরানা সিটিজন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ কী মায়োক্তা ৱাফম কয়া পুখৎখি। ভারতিয়া জনতা পার্টিনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইয়ন্সকী মরুওইবা মপাং অমসু ওইরিবা এ জি পিনা হায়রিবদি চহী ৬ অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা মীওই ৮৫৫ থৱায় কৎখিবগী মহয় ওইনা খুৎয়েক পীনখিবা অসাম একোর্দকী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়ারোই হায়বসিনি। ফুরুপ অমসুং লাইনিংগী খেন্নবা থমদনা কুমজা ১৯৭১গী মার্চ ২৫গী মতুংদা চঙলকপা মীতোপ খুদিংমক মশক খঙদোক্লগা মরৈবাক্তা হলহনখিগদবনি হায়বা ৱাফম অসাম একোর্দতা ময়েক শেংনা য়াওরিবনি। অরুনাচল প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি অমদি পিপলস পার্টি ওফ অরুনাচলনসু বিল অসিগী মায়োক্তা ফোংনা লেপ্লি। কনষ্টিট্যুসননা ঙাক্লৌ পীবা ট্রাইবেল ষ্টেট অমা ওইরিবা অরুনাচল প্রদেশতা য়েলহৌমীশিং কাংখুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিঙৈদা সিটিজন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়ানিংদে। হান্নদগী চকমা-হাজোং অমসুং টিবেটান রেফ্যুজিশিংনা অচৌবা চৈথেং অমা পীরিঙৈগী চৈরক্তা বাংলাদেশ, অফঘানিস্তান অমসুং পাকিস্তানদগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা অকক্লবা মীওই কাঙলুপতা সিটিজন্সিপ পীনবগী থৌরাং অসি ইন্দিয়াবু হিন্দু-নেসন ওন্থোক্লবা আর এস এসনা লৌখৎলকপা অরোনবা থৌরাংগী শরুক অমনি হায়নসু লূপ অনীনা মরাল শিরি। মণিপুরদসু অদুমঙাইরে, নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন অমদি ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা বিল অসিগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং কয়া চঙশিনবা লৈখ্রে। ইথনো হেরিটেজ কাউন্সীলগী ১৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবশিংনসু য়েলহৌমীশিংদা অকায়বা পীরক্কদবা বিল অসিগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। হন্দক্তা অমুক উলফা কাঙলুপ অমগী লুচিংবনা অকনবা ৱাফম থল্লক্লি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি য়েলহৌমী কনবা নৎত্রগা কন্দবগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা কনষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা ৱারোল কয়ামরুম বিলগী প্রোভিজনদা য়াওবগী মতাংদনি। কাঙলুপ-ফুরুপ অমসুং লাইনিংগী খেন্নবা লৈতনা মীপুম খুদিংমক্তা চপ মান্নবা মীৎয়েং থমগদবনি হায়বা ৱাফম কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪ দা ময়েক শেংনা য়াওরি। কুমজা ১৯৫১ গী য়ুনাইটেদ নেসন্স রেফ্যুজি কনভেন্সন্নসু কাঙলুপ-ফুরুপ অমদি লাইনিং লন্থীদা য়ুম্ফম ওইরগা চঙজফম পীবগী থৌরাং লৌখৎপা য়ারোই হায়রি। পুন্নমক অসিনা মরম ওইরগা সিটিজন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলগী ৱাফম তরাইনা লৌফম থোক্তে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৪

১। মণিপুরনা নীংতম্লিঙৈদা ঙসি গভর্ণরনা লৈরিবা মফমসি বৃটিশ রেসিদেন্সি ওইরম্মী। মফম অসিদা মতমদুগী পোলিটিকেল এজেন্ট অনীগী মং লৈরি।
(ক) ১৮৭৬তা শিখিবা এজেন্ট অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) মহাক্কী হেক মথংদা লাক্লম্বা মৈতৈ ময়েক য়োকখৎলম্বা এজেন্ট অদুগী মমিংনা করি কৌই।

২। "নঙসু ইনাই, নপাসু ইপাগী মনাই।" ৱাহৈশিংসি ডা. কমলগী দ্রামা অমদগী লৌথোকপনি। কনাননো হায়রিবসি?

৩। "মণিপুরী ছন্দগী তোপতোপ্পা মশক অমা লৈজে।" পরেং অসিনা 'মণিপুরী কবিতাগী ছন্দ' কৌবা লাইরিক অদুগী ৱাহৌদোক্লি। অইবদু কনানো?

৪। "য়েংঙু, ঐখোয় চৎখিদৌরে মতাগুম হৈনম-লৈনম মালংবনা হুল্লক্লি।" পরেং অসিনা হিজম শান্তিবালানা ইবা দ্রামা অমদগী লৌথোকপনি। দ্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "অতুলনা মখূৎ তপ্না তপ্না থাদোক্লগা হায়রকই, য়ূমদা চৎলসি, মখোয় পূন্নমক চৎনখ্রে।" পরেং অসিনা শরৎচন্দ্রগী রঘুমনি শর্ম্মনা হন্দোকপা উপন্যাস অমগী অরোইবা পরেংনি। উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৩গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

| | |
|---|---|
| ১) সনসম লক্ষ্মি, হিয়াংথাং ময়ায় লৈকায় | (৫) |
| ২) প্রেমকুমার থোকচোম, খাঙবোক খুনৌ লৈকায় পার্ট থ্রি | (৫) |
| *৩) হৈস্নাম রুপো, ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাঙ্খৈ লৈকায়* | *(৫)* |
| ৪) লৈশাংথেম প্রিয়া, লৈশাংথেম খোংমনুং | (৫) |
| ৫) থোকচোম প্রিয়া, খাঙবোক খুনৌ লৈকায় পার্ট থ্রি | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৮৩গী ৱিন্নর**

*হৈস্নাম রুপো, ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাঙ্খৈ লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)*

লিটরেরি ক্যুইজ ৮৩গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম নবেম্বর ১৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৩গী পাউখুম

১। কুমজা ১৮৯১গী মমাঙ, বৃটিশনা মণিপুর লৌশিন্দ্রিঙৈদা লমদমসিদা চৎনরম্বা শেল অসি শেল মখায় হায়বসিনি। শেল মখায় অনীনা শেল অমা শাই।
(ক) শেল মখায় কয়ানা শেল চান্মা শাবগে? :- ৮
(খ) শেল মখায় কয়ানা শেল লীশিং অমা শাবগে? :- ৮০

২। লান মমাঙগী কবি অনীনা 'লৈপাকলৈ' শৈরেং অমমম ইরম্মী। লৈ অসিবু 'চিন্নাইদবী মরুপ' হায়রম্বদু করম্না কবিনো? **: কবি চাউবা**

৩। "ঐগী মিং সোরোজিনি কৌবনি। অদুবু শাংমল্লি হায়দুনা মাদি সোরো সোরোদমক মকৌই।" পরেং অনীসি 'থম্মোই নিঙাই' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো? **:- শ্রীবীরেন**

৪। "ঐগী অয়াকপা অহৌবা খোল্লাউদা/কিন্থখিগনি নিংখায়খিগনি।" পরেং অনীসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু। **:- নোংথাংলৈম**

৫। "চীংমুক লেমহন্নিংই/চীংজুম্মুক শেংহন্নিংঙি নুংশিবী।" ঈশৈ পরেং অনীসিনা শামুরাইলাৎপম নব শর্ম্মনা শকখিবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। শৈরেংবদু কনানো হায়য়ু।
**:- নোংমাইথেম কিরনকুমার**

# শিজনীংবগা হাৎচনীংবগা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



**মীনা** য়াম কিন-কিনরবা মমিং খরদং পঞ্জরবদা মীগা চায় হায়নখিবা ইদি অমিন, পোল পোট, হিটলর, কিম জোং ইল হায়রিবশিং অসিনি। অদুবু ঐখোয়দি হৌজিক মখোয়বু করি অমত্তা কিজদ্রে। মীওই চা কয়া কন্সেন্ট্রেসন কেম্পতা চাক পীজদনা কং-কংদুনা শিহনখিবা হিটলরসু ঐখোয় কনা অমত্তনা কিনদ্রে। থায়নগী ৱারী ওইরগা তোকই। মতম অমগী য়াও সে তুং হৌজিক্লা মাও জে দোং, মতমদুদদি হাইফেৎ কিনরিবনি। মুসোলিনি, ষ্টেলিনসু কিনরিবনি, উহৌদবগা, লম লাপখিবগা কিবা ঙম্লুদ্রে। ৱারীদগী খঙবা লৈশুপ্পা হিটলরসু ঐখোয়না অকিবা পোক্তে। কিম জোং উন হায়বা লৈঙাক অসুপ্পা পাথৌ অসিমসু মখোয়গী লৈবাক্তদি য়াম্না কিনা ঙাঙনৈ, কিনৈ। ঐখোয়' লৈবাক্তমক নত্তবনিনা থোইনা কিরুদে। মখুরাবু মাগী লৈঙাক্কী মায়োক্তা লেপ্পী হায়দুনা হূইদা পীজরগা হাৎলি হায় অদুফাও ঐখোয়না অদুক হাক্লা মাবু কিবীদে। মাগী নুপীসু নুমিৎ থা কয়ানি হিংলিব্রা নৎত্রগা শিখ্রব্রা হায়বা খঙহন্দনা লোৎশিনবা ঙম্মী হায়নৈ। মসি ফাওবদা মাবু ঐনা কিবা ঙমদে। অৱাং কোরিয়াদগী য়াম্না ৱানা লীৎথোরকপী পার্ক য়েওনমিনা তম্বা মাগী অৱাবা ৱারীদু তারবসু কিম জোং উনবু ঐনা ময়াম্বা অমা ওইনা মাবু কিবা ঙমদে। থোইনা য়ৌশিন্না তূক্কচরুদে।

ওসামা বিন লাদেন্দংদি ঐনা খরা খরা কিবা ফাওখি। লাপ্না লৈজরবসু মহাকপু কিদবা ঙমদে। মাগী কাঙবুনা মী কয়া কয়া থাঙনা লেন-লেন্দুনা হাৎপগী ভিদিও কয়া লেপ্পা লৈতনা উজখ্রে। ইমাংমক্তদা (ভিদিও ক্লিপ) তমহৈদবা ফীভমদা মী কয়া হাৎখ্রে। মী হাৎপগী ৱাখল শুকচেন চেঞ্জদ্রবা মী হাৎপা শুকঙম ঙল্লরোইদৌবা মী ঐখোয়ফাও মী হাৎনীংবগী ৱাখল পোকহনবা ঙমখ্রে। মানা মীওইবা কাঙলূপকী মায়োক্তা চৎখিবা শাজৎ কয়া উরুরগা। অদুনা মাদবুদি ঐনা য়াম্না কিখি, হৌজিকসু মানা শিখ্রবা মতুংসিফাও কিরি। মাগুন্বা মী য়াম্না থোরকপা তারবদি মালেম পূন্বা অসি যুহার হাবদৌনা মথক-মখা ওনবা হায়বদু ওইগনি।

হাৎপা তূপ্পা ঙাক্তা নত্তে ঐনা কিবদি ৱাশকপা কিদবা, ওইদবা ঙাঙবা, তৌশিন্নবা হৈবা, মালহন্না ঙাঙবা ঙন্বা মীশিংসিসু ঐনা তঙাইফদনা কি। মী হাৎপনা মী হাৎপদি মী খরদনি হাৎপা ঙল্লিবসি। মানা ফংবা, মানা ঙন্বা মনাক্তা লৈবা মী খরখক্তনি লোইশিনবা ঙল্লিবসি। ওইদবা ঙাঙবা, অচুম্বা শাদুনা ঙাঙবা, শো য়াম্না তৌবা মী অমনা হাৎকেনা হাৎলকপা অসিদি লৈবাক শীন থুংনা হাৎপনি। অপঙবসু, অশিংবসু, অশোনবসু, অকনবসু অমত্তা খাক্তনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি লোইনা শো তৌর তৌরগা লোইনা হাৎপা ঙম্মক্কনি।

হাৎপা হাৎপা হায়দনা হায়রিসি নোংমৈনা, বোম্না, গিলতিন্না, থাঙনা, উতূপ্না, মৈনা হাৎপা, মী শিবা অসিখক্তবু হাৎপা কৌবা য়াদে। মী ময়ামবু অপঙবা শীরগা কিহল্লগা ওইদবা ঙাঙলগা মীৎ থকহনবা হায়বসিসু মী হাৎপা মখল অমনি। খ্বাইদগী নুংঙাইরিবদি ইন্দিয়া অসিদা হাৎপা য়াম্না নুংঙাইবা, য়াম্না শিগনবা, মশা মশানা হাৎপীরো হায়না চোঙথোকচরকপা, হাৎপীরগা হরাউজবা, হাৎপীরগা নিশা (ময়াই কাবা চিঞ্জাক) ওইনা নুংঙাইজবা মী ময়াম অমা লৈরমখ্রে। মসিদা ওইরে হাৎচনীংবগা শিজনীংবগা চপ হেক মান্নদুনা অওনবা অমত্তা পুরকপা ঙমদ্রিবা অসে। শিজরগে হাৎপীরো, শিবদা নুংঙাইজৈয়ে ঐখোয় মেসকিষ্টনি হায়বা মী ঙাক্তনা পীক থল্লে। হাৎলগা নুংঙাইবা ফাওজবা সেদিষ্ট কয়ানসু লৈবাকসে পাল্লে। খঙদে ঐখোয়সিবু হাৎহল্লগা মখোয়না মৈ চূবীরগা, ঈ থোকহনবীরগা অসুক য়াম্না নুংঙাইবা ফাওনরিবসিবু করিগীনো? ।◂◂

# হোংলক্লিবা চাক্লৌবগী শক্তম

**নবকুমার ওইনা**

**খুন্নাই** অমনা পুল্লাং লাংবা নুমিৎ হায়বা তারবদি চাক্লৌবনা ওইরে। চাবা হায়বসিদা কাঙলূপ-ফুরুপ খায়বা লৈতে। নুমিৎসি ওইরকখিবগী, লৈবাক অমা শেমগৎলকখিবগী ৱারী-লিখুন কয়া লৈগনি। মীওইবা খুন্নাইনা চাক চাবা হৈরকপদগীবু হায়বা য়াই, মী অমা লাক্লবদি চাক চাখো, চাখিসি হায়বসি অদুম চৎনরকখিবা কুইরবা ৱানি। মদুনা পাউ পীনদবা ৱানি, নুমিৎ অমা নাইনা অনৌ-অপেন য়াওনা পীজবা অসিদি মচন-মচে ওইবশিংনা য়ূম পানখিবা মতুংদা মবুং-মৌপ্বা ওইবশিংনা ৱাবিখিবশিং অদুগীদমক চাক চরা অমা পীজবা হায়বসি মীওইবগী চৎনবীনি। ঙসিনা মচন-মচেশিংবু মবুং-মৌপ্বাশিংনা পীজরে।

কুম অমগী ফৌ, চেঙ খোমজিনবা লোইরগা য়ূম 'মদা লৈখ্রবী মচন-মচেশিংবু মপামদা লাক্লগা মমা-মপা অহল ওইরবশিং, কৈরোয়-লৈকায়গী মচে-মনেম ময়াম পূন্না উনবা অসিনা থম্মোয় য়ৌনা নুংশিনবা পোকপা হেনবা অসিমক খঙনা নিংঙোল ওইবীশিংবু চাক কৌবা ওইনা শেমদোকখিবা ওইবসু য়ারিবনি। চহী হৌবদা মখূৎনা শাবা খুদৈ, ইনফি নৎত্রগা ফুরিৎ অমতং ওইরবসু মপা, মতোন, মবুং-মৌপ্বাশিংগী তম্বা ঙম্বা য়াওনরম্মীবনি। থায়না ফি য়োনবা দুকান লৈত্রিঙৈ মচন-মচে লৈহৌদ্রবা মবুং-মৌপ্বাশিংগী, মচাশিংসু পিক্লিঙৈ, মমা ওইবীনা থুপখ্রবা, মচন-মচে ওইবীশিংনা খুদৈ অমতং পীনবা হোৎনবা কয়াদা নুংশিবা ফাওনরমগনি। মদুগী লমন তোল্লগা কনানা পেনগনি, ফৌনৌ লোকপগা চাক চরা অমা চানীংবা, এঞ্জাং থোংলগা পীজবা মবুং-মৌপ্বাশিংগী কয়াদা অপেনবা পোক্লফমনো। মনম্মা, মচন ওইরবীশিংনা নিংঙোলশিং অদুগী কুম অমগী ফনেক অমা তম্বা কয়াদা ফজখ্রবা নুংশিরবা মীহৌরোলগী ৱারী লীদুনা লৈরিবা, কুম অমবু তঙ্খায় খাইদোক্তুনা নুংশি ৱারী, অৱাই-অখুম তৌরিবা থৌদোক অনীনি চৈরাওবা অমসুং চাক্লৌবা। থৌরম অনীসিনা খোন্থাং য়ৈনা নুংশি ৱারী লীরিবনি, কনানবু নুংশিরবা ৱারী অসিদগী নাম্থোক্তুনা চৎপা ঙম্নরিবগে। হায়রিবা চাক্লৌবা অসিসু মেরা ৱা য়ুংবা মৈ থানবগী থয়াইদনি। মচিন-মনাও ওইবশিং ময়ূম লাপ্পখ্রবসু নুংঙাই য়াইফনা লৈরি হায়বা খঙনরিবা মৈরানি, মেরা থাওমৈ। চাক্লৌবনা থৱায় হাপ্পরি।

থৌরমশিং অসিনা নুংশিনবগী ৱারী শিংবুল কয়া খোন্থাং য়ৈনা লীরি। চীংদদি ঙসিসু কিশিং শারি, চাক্লৌবসু অমুক হৌনরক্লি। নুমিৎ মান্নদ্রবসু চাকনৌ তংবগী কুটকুম্বা কুম্মৈদি অদুমক লৈরক্লবনি।

ঈ মরীগী লংলা ওইনা লৈরিবা ইমা মরী অসিগী মচা-মশুশিং চাক্লৌবদি মপা-মতোন, মবুং-মৌপ্বাশিংগী থৌদাং ওইররে। পোইরৈতোনসু য়াওরি, লমদমসিদা খুন্থোকপা খুদিংমক হান্না লৈজরম্বা ইবেনশিংগী ঈ মরীনি (নুপী ওইবীশিংগী মচা মশুনি), ইপূ মরীদা তোৎশিন্নবা খরা য়াওরবসু ইবেন মরীদদি তোৎশিন্নবা ওইনা উদবসু য়ারিবনি। মসি খঙনা থৌদাং লৌরবদি (ইমা-ইবেন, ইচে-ইচন) চাক কৌবা তৌরোইদৌবা ফুরুপ লৈতে, ফুরুপ অমনা হৌদোকপনি হায়নফমসু লৈতব্রা খল্লি। নুমিৎ নাইদ্রবসু মালেমগী মফম খুদিং পাঙথোক্লবা থৌওং অমনি হায়না লৌবনা চুমগনি খল্লি। য়াম্নমক ফজরিবনা লাইনীং অমত্তগা শম্নরমদবা অসিনি, মালেমগী ফুরুপ খুদিং চাক্লৌবা পাঙথোকপীয়ু হায়জবা য়ারিবনি। লমদম তাম্না লৈনরবশিং চাক চরা অমা হোটেলদা বুক তৌবা, খুদোল পোৎ অমা থাখিবা, টেলিফোন্দা ৱারী শাবা য়াওরম্বসু য়ারিবনি। তঙাইফদ্রিবসি অৱা-অনা হংনরগা ৱারী ফাওনবদুনি। নুংশিনবা ফোঙদোক্লবদুনি, তঙাইফদ্রিবসিদা চিন্দা অফ-শারগা তৌবা হৌনবনি খন্দুনা মতৌ মান্নবা তৌবা চাক্লৌবা য়াওদবা নত্তে, হেঞ্জিন্নখিবদগী ফোংনা নুংশিনদ্রবা চাক্লৌবা ঙম্নদ্রবা মচিন-মৌপ্বা কয়া লৈরিবনি। খুন্নাইগী লায়না লাইচৎ ওইনরক্তনবা মীনুংশিনা পূল্লগা নুমিৎ অসিদা চমথোক্লবা ঙম্নবা, মমা-মপা, মপূ-মবেনশিং য়াওনা চমথোক্লরগা ৱায়েন্নবগী থৌরাং অমসু নুংদা য়াওজরিবনি। মদুমক পাঙথোকপা ঙম্নদ্রবা, অহল পান্দ্রবা ইমুং য়াওদবসু নত্তে। মখোয় মখোয়দুনা খুন্নাইসিগী মীয়াম মমাঙদা ইকায়বা খাঙবদুনা লৈবাক খুন্নাই অমা ফগৎলক্লিবনি হায়বদি য়ারোই। চাক্লৌবা নুমিৎসিনা হায়রিবদি অরান-অহুই য়াওরবসু নুমিৎ অসিমা লৈরি চেকশিল্লু হায়বগুম্বনি, তশেংবদি মচিন-মৌপ্বা ওইনরিবশিং লান্না খন্নগনু হায়বগুম্বনি।

চাক্লৌবগী নুংশিনবা মবুং-মৌপ্বাশিংগী ঙাক্তা ওইরক্তে, মমা-মপা ওইবশিংগী অচৌবা থৌদাং য়াওরি। পোকমিন্নদবা মচিন-মৌপ্বাশিংনবু হেন্না করি খনখিগদগে খন্নবদগী চাউনা খুদোল তম্নবসু য়াওনরি। মমা ওইবীশিংনা মচা নুপীশিংগী নুংঙাই য়াইফগী ৱারী মরক্তা অৱা-অনা খাঙলিবা মচা নিংঙোল কয়াগী অৱাৎ-অপা হংনদবসু নত্তে। মবুং-মৌপ্বাশিংনা 'করি পীয়ু হায়বগে' হংনদবসু নত্তে। নোংমগী খূৎশুমন্না হিংজরিবা মবুং-মৌপ্বা কয়াগী মথম্মোয়দা মচন-মচেগী পেন্নবা নোংমতং চাক্লেন অমতং পীজরগা থৌজালগী ৱাহৈ অমনা পুন্সিদা অমুক নুংঙাই-য়াইফবা ফংলকপসু য়ারিবনি খঞ্জবা য়াওনদবা নত্তে। মদুমক্না (থৌজাল পীরগা) হেক্তা ফগৎলক্কনি হায়না থাজবদি লানগনি। য়ু থকপা মবুংদা 'য়ু থক্লরোই' ৱাশক শকহনবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা মৌপ্বাদা চাররোই হায়না ৱাশক লৌবা ঙম্বী মচন-মচে তঙাইফদনা চঙলক্লি। নুংশিনবগী মসা-মরেং শন্দোকপগী লোইবা নত্তে। অপোকপা-অপোকপী নুংশিবনা লোমদে, কৈরোই লৈকায়দা লৈহৌরিবা মপূ-মবেন, মখুরা-মতোন, মবুং-মৌপ্বাশিং উনরুবা, অথুম্বা কবোক মতুম অমতং ওইরবসু খুরুম্লগা পীরুবা হায়বসি মালেম অসিদা নুংশিনবা শন্দোকপগী য়ূম্ফম অদুমকনি। খুন্নাই অমগী ফজবদু মালেমগী মীয়াম মমাঙদা পুথোক্তুনা উৎনবগীদমক খুদোংচাবা অমসু লৌবনি। ফুরুপ খায়দবা, লাইনীং চেন্নদবা হ্যুমেনিজমগী ময়েক শেংনা ফজখ্রবা য়ূম্ফম অমনি। মসিবু লৈত-লায়রগী তায়নফম ওন্থোক্তুনা অদু পীদবা য়াদে, অদা পীদবা য়াদে হায়বা য়াওনদুনা ফজখ্রবা নুংশিনবা অদুবু ওইজ-ওইথক্কী লানবুং ওন্থোকপা ঙম্নরক্লবদি মালেমদা নুপী খুন্নাইগী লৈখা তানবা খোঙফম য়াৎনরকপনি হায়না লৌবনা চুমগনি খল্লি। নুপানা খূৎলিংবা খুন্নাইনি হায়নরিবনি, নুপীনা লমজিংবা খুন্নাই ওইরক্কদৌরি। চাক্লৌবদা পুরিবা হৈ-রা, অচাপোৎ খুদিং ইশাগী ইঙ্খোলগী অমত্তবু য়াওদ্রে। লমদম অসিদা চাক্লৌবা নুমিত্তা শীজিন্নগদৌরিবা পোৎ খুদিং মপান লমগী ওইরবদি কদায়দগী মতম কুইনা নুংশি চান্নবা পুরকপা ঙমগদৌরিবনো। লৈত-লায়রদগী খৎনবগা চৈনবগা, অদু পীয়ু-পীদেগা লাউনরকপা মশানা তারক্লি। চাকহাওগী কবোক, ষণ লোইবগী ষনা, কোমলা, চম্প্রা, অৱাথবী, মঙ্গ্রা পুবা য়াবা কয়া লৈরি। য়েন মরূম, ঙানু মরূম, পুবু পুগে হায়রবদি শেন্বা শাবা য়াবা কয়া'মা লৈরি। লৌদবা য়াদে, পীদবা য়াদে হায়বসি ৱাখল লৌশিংগী থাক ৱাংলবনি হায়বদি য়াফম থোক্তে। নুংশিনবা ৱাৎনবদগী নুংশিনবগী ৱা য়াম্না ঙাঙনরক্লিবনি। নুংশিনবা হায়বসি থম্মোয়গী ৱাফমনি, থম্মোয় শেংনদনা নুংশিনবা য়াফম থোক্তে। চাক্লৌবসি থম্মোয়গী মরী অমগী থৌরমনি।

ফুরুপ মান্নদে খল্লিবশিং চারৌ-মৌরৌনবা কয়া য়াওরবনিনা ফুরুপ খুদিং মচা-মচন চাক্লৌদবা য়াদবা ফাওনরক্লি। কৌফম থোকপদসু কৌনরমদবা কয়া লৈরম্মী, মতম অমদা জাৎ তাখ্রবগুম লৌনরম্বশিং চাক কৌবীবা য়াওখিদবা কয়ানি। ঙসিদি মদুগী পল লৈত্রে, অরানবা কয়া চুমথোকপা ঙম্বগী ৱাখল্লোন পোক্লরক্লে, কাঙলূপ খেন্নবগী ৱাখলসু নোংমা-নোংমগী মাঙনরক্লিবা অমনি। পূন্নমক অসিবু শাফু কন্না থেঙ্গাইনরক্লিবা থৌরম অমা হায়বা তারবদি চাক্লৌবা অসিমক্লা ওইরক্লে। পোকমিন্নবা ইচে-ইচলশিংগী নুংশিবদগী পাকথোকপা ঙল্লক্লে। ফুরুপ পূন্নমক্কী ওইরক্লবা চাক্লৌববু মীওই খরতগী ওইনা উবা য়ারক্তরে, থৱায় য়াওরিবা খরনা ইশাগী ওইনতা য়েংবা, ঙাঙবা য়ারক্ত্রে। ঐখোয় ময়ামগী ওইরবনি হায়বসি খঙবগা লোয়ননা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, শাজৎ শেমদোক্লবা তঙাইফদনা চঙলি। মদুমক নুংশিনবা চান্নবা হেনগৎনবগী শৈহৌ ওইরবা পাড়া অমনি।

য়াম্না নুংঙাইরিবদি, কোনপাক অমদা হৈ-রা, য়ুবী পুরগা চৎলম্বা চাক্লৌবগী শক্তমদু হোংবা উরে, কাঙলূপ কয়াগী ফিজেৎ লৈতেংনা পুল্লপ পূনবা উরে, মীয়াম হুপ্না চাক্লৌবগী শক্তম শাগৎনবা ঙাঙনবা তারে। কনা অমত্তনা চাক্লৌববু থৈদুনা পুখিবা ঙল্লরোই হায়না খঙনরে হায়বা য়ারে।

হেন্না ফজহনগে হায়রবদি নুংশিবা হায়বসিদা পঙনুংদা নুংশিবনা য়াদে হায়বসি মবুং-মৌপ্বা ওইবা, মমা-মপা ওইবশিংনা নিংঙোলশিংদা মাঙজৌননা তম্বীবা অমসু তঙাইফদনা চঙলক্লি। শা-লান থোক্লগা য়ূম্বান লন্থী অমদা য়ূমলিং খুল্লিংখিবা মচা-মশু, মচন-মচাশিংনা অফবা পাউ পুরগা চাক কৌবদা লাক্লবা থৌরাং মাঙজৌননা চেকশিনবসু চঙলি। মহৈ-মশীন খরা তমহল্লগা থবক অমা ফংহনবা, ফংহন্নবা হায়বসিনা ইচা নিংঙোলশিং শেন্থীবগী অরোইবা থবক নত্তে, চাক্লৌবা মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্নবা চহী লিশাং শিৎনা ৱাখল থাদরকপসু চঙলক্লি। চাক্লৌবা নোংমদা ওইরকখিবা নত্তে, মমা-মপা, মবুং-মৌপ্বাশিংগী পুন্সি তঙ্খাই চঙনা, ৱানা শাগৎনরিবা নুংশিরবা থম্মোয় কয়ানা চহী চা কয়া চঙনা শেমগৎলক্লবা থৌরম অমনি। নহা ওইরিবা ইচা নিংঙোল অমনা অপেন পেন্দা ফোঙদোকপগী অথিংবা লৈবদি নৎত্রে। তম্বীবা-তাকপীবা ৱাৎহৌবগী ৱাফম কয়া লৈতবসু নত্তে। খুন্নাইসিগী তুংগী য়াইফনবা খন্নরিবা ময়ামসিবু তেংবাঙবা ওইনা চাক্লৌবগী শক্তমদা শোক্কদৌবা থৌরম অমত্তা তৌবা পাম্নরমদৌবদি নত্তে।

নিংঙোল খুদিং, গাড়ী খুদিং লন্থীদা থোক্লকপা হায়বসি লন্থীগী শক্তম হোংবা তারকপদুনি। খুদোংথীবা য়াওনরিবনি। মী য়াম্মী, ৱাখল য়াম্মী, গাড়ীসু য়াঙনা থৌনবা উই, য়াম্না য়াম্মী, লন্থী থৎলি। মথং চহীশিংদা লন্থীগী থৌরাং তৌহৌবা তারক্লি। ঙাগী থৌরাং তৌগনি, তৌরে হায়বদি উরে, তারে। হৈ-রাগী মেলা তৌরে, চাক্লৌবা নুমিৎকীদি লৈত্রি। চাক্লৌববু চাক চাবখক্তগীরা? মৌশিংনা লাক্কদৌবা নিংঙোলগী করি লৈরম্মুগে হংনবা, নিংঙোলশিংনা মনম্মগীদমক লৈরক্কদৌবা পোৎ হংনবা মতমদতা চাক্লৌবগী মপূং ফানা ফজবা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈরিবনি।

ফোংনদি ঙাঙনবা ৱাৎলিবা, চাক্লৌবগী ঙাতমক পন্নবা, ফুরুপ পূন্নমক্কী ৱা ওইরকপদগীদি ঙাগী ৱাসি শেমদোক্কখিবসু য়ারি। ঙাগী অৱাৎপা শা উচেক্লা মেনখৎপসু য়াই, শা-উচেক্কী অৱাৎপদু ঙানা মেল্লকপসু য়ারিবনি। মদুদা ৱা ঙাঙবদি য়াদ্রে। চাক্লৌববু কনাগুম্বগী লীলা শান্নফম নৎত্রগা মীয়াম্বু ললোনফম ওইহনবদি চুমদে হায়নরক্কনি খল্লি।◂◂

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*